## এডিটোরিয়েল

### খোঙলম্বীদা পোৎ য়োল্লিবীশিং অমদি কৈথেল

উপাই লৈত্রবা ইমুং অমগী মীওইনা ইমুং-মনূং পুনবগী দমক কৈথেলদা থোক্কুনা পোৎ য়োল্লগা শেন্দোঙদুনা ইমুং থাকপগী ৱারি অসিনা কৈথেলগা লাইরবগা লৈনবা মরী অদু তাকই। কৈথেল হায়বসি লাইরবশিংগীদি শাইদাংফম, তাংজফম, হিংনবগী লম্বী থীফম ওইনরিবনি অদুগা শেনজাও পায়বা ইনাক কৈরাক খুনবা অচৌবা করবারৱালাশিংগীনা শেন্দানফম, শেন্দোং তানফমনি। অমরোমদা নোংমা নোংমগী মীশিং হেনগৎলকপা, শুফম নোম্ফম লৈশিলক্তবা, ৱাদনা নুংঙাইনা হিংবা পাম্বা মীগী মশিং লেপ্তনা হেনগৎলক্লি। নুপাশিংনা শুনিং-নোঙ্নিংবা ৱাৎলকপা, অমুকসু শুবা নোম্বদা চিলহাও থীনরকপা অসিনচিংবা কয়াদগী নুপী ওইবীশিংনা তঙায়ফদনা কৈথেলদা থোক্লরকপনি। ষ্ট্রিত ভেনদর হায়বদি লম্বী মতাইদা পোৎ-চৈ য়োনবী মশিং হেনগৎলক্লিবা অসিসু মরম কয়া অসিদগীনি। ষ্ট্রিত ভেন্দরগী ইসু অসি খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলখক্তগী নৎত্রগা ষ্টেত অসিখক্তগী নত্তে ইন্দিয়াগী ওইবা ইসুনি। মসিদি অঙম অথৌ ফন্নাইবশিংনা লৈবাক অসিগী কেপিতেলসিদা অমসুং অতৈ সিটিদা কোয়বা চৎপদা অদুমক উন্নরিবা ঙাক্তনি। অদুবু অচৌবা সিটিশিংগা মফম অসিগা খেন্নবদি লৈ মদুসু ফন্নাইবশিংদি খঙলমগনি। লুরিবদি খঙলবসু কোক্লনবা পাম্বে নৎত্রগা উপায় পুথোক্তুনা মদু চপ চানা থবক্তা ওহ্নোক্লবা হোৎনবা ঙমদবা অসিনি। করিগুম্বদা হোৎনদবা নৎত্তে, মমাংগী কংগ্রেস সরকারনসু হোৎনবা য়াবা হোৎনরম্মী। অদুমনদি ওইরগা শৌগ্রি চোংখৎলকপগুম পংচোংদা চোংখৎলকপা, থিংবা ঙম্বসু নত্তবনিনা মায় পাকপা ঙমখিদে। হৌজিক বি জে পি না লুচিংবা সরকার অসিনসু হোৎনবা য়াবা হোৎনরক্কনি তৌইগুম্বসুং মায়পাকপদি ঙমগনি হায়বা থাজদে।

ষ্ট্রিট ভেন্দরগী ৱাথোক অসি ইম্ফালগী খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল খক্তদা নত্তে- ষ্টেত অসিগী অচৌবা অতৈ কৈথেলশিংদসু অদুমক থেংনরি, মায়োক্লরি। অনৌবা কৈথেল শঙ ফনা য়ান্না শারবসু ৱাথোক অসিদি অদুমক লৈখিগনি। অদু ওইরবদি মায়ওন কয়াদগী পাকচাওবা মীৎয়েংদা পোরম য়াত্তুনা তুং কোইনা চৎনবা য়াবা থৌশিল অমা শেম্বা তাবনি। স্বাইসিদনি খঙ-হৈরবা লেজিসলেচরশিং ব্যুরো ক্রেটশিংগী তৌবা ঙম্বগী শক্তি মীয়ান্না উগদৌরিবসি। স্মার্ট সিটি নৎত্রগা সেটলাইত সিটি শেমগৎপগী ৱাফম লাক্লিবসিগা ষ্ট্রিত ভেন্দরগী ইসু অসিগা কদায় ফাওবদা মরী লৈনবা লৈনদবা হায়বসিসু অখং-অহৈশিংদি খঙলমগনি। অদুবু চন্না হিংজরিবা মীয়ামগী ৱাখলদদি ষ্ট্রিত ভেন্দরগী ইসু অসিদি কৈদৌঙৈদা কোকহনবা ঙমলোই -মরু মরা তাখ্রবনি শোয়দৎলবসু অদুমক চোংখৎলক্কনি হায়বসিনি। ষ্ট্রিট ভেন্দরগী ইসু অসি লৈবাক অসিগী অমদি ষ্টেট অসিগী খুন্নাইরোল অমদি শেনমিৎলোনগা য়ান্না মরী লৈনবনি হায়দবা য়ারোই। অদুননি মায়ওন কয়াদগী পাক চাওবা মীৎয়েংদা পোরম য়াৎলগা থৌশিল শেম্বা তঙায় ফদে হায়রিবসি। থৌশিল অসি তরাই-তরাইনা হেক্তা শেম্বদি মায় পাকপা ঙমলোই অদুনা অমনা অমদা মরাল থংজিন্দুনা মনা লৌনবা হোৎনরকপদা মদু মীয়ান্না তানিংগদবা মান্দে।

হৌজিক খ্বাইরম্বন্দ অমদি অকোইবগী কৈথেলদা লুনাননা থন্নবা হোৎনরকপা থৌশিল অমদা কৈথেল মোৎহনলিবসিগী মরম থংজিন্নরকপদগী ওইরকখিবনি হায়না লৌই। মাহুদ মিনিষ্টর শ্যামকুমারনা কৈথেল মোৎহনলবদি লাইসেন্স ফাওবা কক্কনি হায়বা অকনবা ৱাফম থমখি। অদুবু তঙায় ফদবা মচাক মথুমদি ফংহনলব্রা হায়বদুদি য়েংশিলহৌদবা মাল্লি। কৈথেল মোৎহন্দবা হায়বসি মীৎয়েং কয়াদগী পুন্না হোৎনমীন্নবা তাই। মচাক -মথুম ইরম নালা নীংথিনা শেম্বা তাই। অকোইবগী লম্বী শেমগৎপা তাই। সিভিক বোদি শিং মপাঙ্গল কনখৎহনবা তাই। ম্যুনিসিপাল সার্ভিস ফগৎহনবা তঙায়ফদে। থবক অসি সরকার খক্তনা তৌবসু ঙমলোই ওইসু ওইথোকলোই। অকন অরিং শিংদুনা শক্তি অমসুং পাঙ্গলগী মরুম মুপ্না পঙাং ঙাংবা পঙলাও লাওনসু কান্নরোই, য়াম্লবা শেল থাদদুনসু ওইরোই। খ্বাইদগী মরু ওইবদি তুং কোয়না চৎনগদবা মায়ওন কয়াদগী পরিং চুম্বা থৌশিল শোমদুনা পুন্না ভাব তামিন্নবা হোৎনমীন্নবা চংই। অদুতদা ষ্ট্রিট ভেন্দরগী ইসু অসিসু খরা মখৈ কোকহনবা ঙমগনি।

## চাউথোকচরমগদববু শন্নাদা লীৎখিদা (গুজরাত্তা ওনরবল সি এম গী ৱাঙাং)

ঐখোয়ই শ্বায়গী ৱারী
মণীন্দ্র কোন্সম

মাধবপুর গেড়, গুজরাতকী পোরবন্দর দিষ্ট্রিক্টকী সমুদ্র ময়া নক্লা লৈরিবা খুঙ্গং অমনি। হিন্দু লাই-ৱারীগী মতুং ইন্না মফম অসি শ্রীকৃষ্ণগা রুকমিণীগা লুহোংখিবা মফন্নি লৌনবদগী নীংশিং খুভম ওইনা 'মাধবরাই' কৌবা অচৌবা লাইশঙ অমা লিংলি। খৃষ্টী ১৫ শুবা চহী চাদগী লিংলকখিবা লাইশঙ অদু মরক্তা মুসলমান লান্দাবশিংনা থুগাইখিবদগী কিন্থহৌরবা মচেৎ-মকায় ওইনা লৈহৌবদগী হৌজিক্কী লাইশঙ অসি থংনবা মনাকমক্তা শাবনি।

মাধবপুরগী মাধবরাই লাইশঙদা চহী খুদিং 'রাম নবমি' (শ্রীরামচন্দ্র পোকপা নুমীৎ) (শজীবু ৯নি)দগী হৌরগা মঙানি চুপ্পা হরাও-কুম্মৈগী অচৌবা মেলা অমা লেপ্পা পাঙথোক্লি। মদুদা মীয়ান্না হরাও-তয়ান্নবদা পুনরিবা নুংগী ৱাখল্লোলদি শ্রীকৃষ্ণগা রুকমিণীগা লুহোংখিবা থৌদোক অদুদা দ্বারকাগী মীয়ান্না হরাও-তয়ান্নখিবগী মতৌ অদুনি। মেলা অসি হন্দক চহীগীদি হৌখিবা মার্চ ২৬ তগী ৩১ ফাওবা পাঙথোকখি।

অসূন্না চহী কয়াগী মমাঙদগী মাধবপুরদা পাঙথোক্লকখিবা মেলা অসিদা হন্দক চহীগী ওইনদি মমাঙদা অমুক্তা তৌখিদ্রিবা মওংদা অৱাং-নোংপোক লমদমদগী আসাম. অরুনাচল প্রদেশ অমদি মণিপুর, ষ্টেট অহুমবুসু শরুক য়াহন্দুনা ইন্দিয়াগী নোংপোক-নোংচুপ অনী অমত্তা ওইবগী অচেৎপা মরী শাগৎনবা হোৎনখি। তৌবগীবুদি থৌওং অদু ভারতকী প্রাইম মিনিষ্টর শ্রী নরেন্দ্র মোদিনা লাউথোকখিবা "এক ভারত শ্রেষ্ঠা ভারত" (অমত্তা ওইবা ভারত খ্বাইদগী থোইবা ভারত) হায়বা খোল্লাউগী মখাদা য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওব কলচরনা মায়পুনবগুম শীনখিবা থৌওংনি। মদুগী থৌরাংবা হৌরকখিবদা য়ুনিয়ন কলচর মিনিষ্টর শ্রী মহেস শর্ম্মনা, ভারতকী অৱাং-নোংপোক লমদম অসিদি ভগবান শ্রীকৃষ্ণগী মতমদগী নক্লবা মরী লৈনরক্লবনি হায়বনচিংবা কয়া মিদিয়াগী খৃখাংদা ফোঙদোকখি। মদুগী খুদম পীবগুন্না কলচর মিনিষ্ট্রনা অরুনাচল প্রদেশকী "মিশমী" হায়রিবা কাঙলূপ অসি শ্রীকৃষ্ণগী লোইনবী রুকমিণীবু পোকপা নিংথৌ ভীমষক্তগী শমথরকখিবা চাদা-নাউদাশিংনি হায়খি। য়ুনিয়ন মিনিষ্টরগী ৱাফম অদুবু শৌগৎলদুনা অরুনাচল প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর প্রেমা খন্দুনা অমুক, শ্রীকৃষ্ণ অমসুং রুকমিণীগী ৱারী অদু মখোয়গী মীয়াম মরক্তা ফুঙ্গা ৱারী ওইনা লীনরি হায়না ফোঙদোকখি। মদুগী অমুক মখা তাবদা মণিপুরগী ওনরবল চীফ মিনিষ্টর শ্রী এন. বিরেন সিংহনা অমুক, য়ুনিয়ন কলচর মিনিষ্টর অমসুং অরুনাচল প্রদেশকী চীফ মিনিষ্ট্র অনীগী ৱাফমশিংদা য়ূম্ফম ওইরগা হন্দক্কী মাধবপুর মেলা হৌদোকপগী থৌরমদা ঙাঙখিবা ৱাঙাঙ খরদা মণিপুরদদি মৈ হৌনা শাউনখিবা কয়াসু ফোঙদোক্লরকখ্রে। তুম্মীন-তুম্মীন নোক্লখিবা কয়াসু য়াওখিবা মাল্লে। মণিপুর মীয়াম অমসুং মণিপুরগী ওনরবল চীফ মিনিষ্টরগীদমক মথন-মথন্তা লোন্না মমায় ঙাঙনদুনা ইকায়জনখিবা কয়াসু য়াওনখি থাজে।

হন্দক্কী মাধবপুর মেলা হৌদোকপা নুমীৎ থৌরমদা মণিপুরগী ওনরবল চীফ মিনিষ্ট্রনা হিন্দীদা ঙাঙখিবদা মহাক্কী হিন্দী অদু নোর্থ-ইষ্টকীনি হায়না মশানা ফোঙদোকচখি। করিসু কায়দে। অদুবু ওনরবল চীফ মিনিষ্টরগী হিন্দী অদু নোর্থ-ইষ্টকীনি হায়রম্বগী মহুত্তা- "ঐহাক্তি হিন্দী হৈজদে, ঐহাক্না খঙজবা বাজার ভাষাগী মওংদা ঙাঙজগে" হায়রম্বা ওইরগদি মণিপুরগী মীওই কয়া অমনা ওনরবল চীফ মিনিষ্ট্রনা ঙাঙখিবা হিন্দীগীদমক ইকায়জনখিবগী থোইদোকপা ৱাফম লৈরম্লোইদবনি। করিনা ভারতকী মনুংদা তোঙান্ননা নোর্থ-ইষ্টকী, খাগী, ৱাংগী হিন্দী হায়বা লৈতে। ঙাঙথোকপা খোম্হোক্কী খোলহায় (accent)গী ৱাফন্না অমনি। মদুদি ইংরাজীমক্তসু বৃটিশ, অমেরিকান, এসিয়ন, ইন্দিয়ন, হায়বনচিংবা কয়ামা খায়দোক্লুরি। লোল হায়বসিদি লোলনি। খঙদ্রবদি অখঙবা শানা ঙাঙবা খক ওইথোক্লোই। মীরোল ঙাঙবা মীরমদা চৎলগা চুন্নগী চরা হেন্দনবা খূৎও-শারো ৱাহৈ খরা পংঙাঙ-ঙাঙবনা অমনি। লৈবাক মীয়াম তিনবা. অদুগীসু মথক্তা মালেম শীন্না শন্দোক্লরিবা নেসনল মিদিয়াশিংনা য়োম্বা থৌরম অমদা, পীকচরবসু মালেমদা মতীং লৈরিবা মণিপুরগী ওনরবল চীফ মিনিষ্টরনা 'বাজার ভাষা'দা নোর্থ-ইষ্টকী হিন্দীনি হায়দুনা হিন্দীদা ৱারোল পীখিবদু য়ান্না লানবা থৌওংনি হায়জনীংই। থৌরম মফম অদুদা তিনখিবা মীয়ান্না তারগা হরাও-নুংঙাইজনবগীদমক্তা ওইরবসু, খঙদ্রগদি মমূৎ-তানা ঙাঙবা হৈরিবা মণিপুরী লোল (মৈতৈলোল)দা ঙাঙলগা অহৈবা হন্দোক-ৱাঙাঙলোই (interpreter) নেক্লগা মীয়াম্বু তাহনবা য়াই। ফংফম থোকপা অহৌবা খূবাক মখোল অদুম্মক চপ-চানা তাগনি। ইকায়নীংঙাইসু লৈতে। মণিপুর মীয়ান্নসু থোইনা-হৈন্নদুম চাউথোক্লজগনি। অদুবু হৌখ্রে। মসিগুম্বসি মতুং-মনাওদি অমুক হন্না থোক্তনবা চেকশীহঞ্জনীংই।

হন্দক্কী মাধবপুর মেলা হৌদোকপা নুমীৎকী থৌরম য়াওখিবদা মণিপুরগী ওনরবল চীফ-মিনিষ্টরনা ঙাঙখিবশিং অদু লৌশীনবা হৈবা মীওইশিংনদি য়ান্না নুংঙাইবা ৱাফন্নি। (য়ুনিয়ন কলচর মিনিষ্টর শ্রী মহেস শর্ম্মা অমসুং অরুনাচল প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর শ্রী প্রেমা খন্দু অনীনা ফোঙদোকখিবশিং অদুগী মতুং ইল্লগা) মণিপুরগী ওনরবল চীফ মিনিষ্টরনা খনখিবা চুম্মী। গুজরাতকী (সমুদ্র ঈরোলনুংদা লূপখিবনি হায়নরিবা) মাধবপুর গেড় লমদমলোমদা লিংলম্বা দ্বারকাদা পানখিবা শ্রীকৃষ্ণনা ভারতকী অৱাং নোংপোক লমদম (ঙসিগী অরুনাচল প্রদেশ)কী নিঙোল রুকমিণীবু ফাদুনা পুখ্রগা মাধবপুর গেড়দা লুহোংখি হায়রবদি ঙসিগী ভারত্তা অৱাং-নোংপোক্কী ষ্টেট অমমম ওইরিবা অরুনাচল প্রদেশ, আসাম, মণিপুরদগী লাকপা মখোয়দি নুপী ময়ূম্লোমগী মীথুংশিং ওইরবনিনা মখোয়বু হেন্না থাক ৱাংনা ইকায়খুন্নবিফম থোকই, ইকায়খুন্নবিয়ু হায়জখিবনি। ইচম-চন্না ফাগি তৌদুনা হায়খিবা ৱাঙাং ওইরগসু, অৱাং-নোংপোক লমদমশিংবু অমত্তা ওইনা খনবগী অমদি লমদম অসিবুসু অপূনবা ভারতকী মনুংদা অমত্তা ওইনা য়েংহন্নীংবগী অৱাংবা ৱাখল্লোলদা ঙাঙখিবা ৱাঙাঙনি। অকায়বা লৈতে। থোইনদুম পুক্লীং থৌগৎনীংঙাই ওই। অদুবু চাউনা শোয়খ্রিবা অমদি ইকায়নখ্রিবদি ওনরবল চীফ মিনিষ্টরনা খঙদবা মওংদা পংঙাঙ-ঙাঙখিবা ৱাঙাঙশিং অদুদনি।

মতাং অসিদা হেন্না ঙক্লিবদি, য়ুনিয়ন মিনিষ্টর শ্রী মহেস শর্ম্মনা করম্বা পাউতাক্লোই (advisor)গী মৱা লৌরগা নৎত্রগা করম্বা মহাভারত মখল পারগা, শ্রীকৃষ্ণগী লোইনবী রুকমিণীবু পোকপা নিংথৌ ভীমষক্কা ঙসিগী অরুনাচলগী "মিশমী" কাঙলুপকা মরী লৈনহল্লকখিবনো অদুগা মদুদা অরুনাচল প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টরনা করিদগী শৌগৎখিবনো হায়বসিদনি।

চুম্মী, মহাভারত্তি মহার্ষি বেদ ব্যাসনা লেংলম্বনি হায়রগসু মতম-মতমগী মতুং ইন্না লমদম-লমদমগী অইবশিংনা অমুক অনৌ-অনৌবা কয়া হাপচীল্লক্তুনা পাকথোক-চাউথোরকখিবনি হায়বসি লোইনমক্লা য়ানৈ। মণিপুরগী ওইবখক্তদসু ৱারী লীবা ওজাশিংনা হাপচীনবা কয়া অমা লৈরি। মসিদা মহভারতকী ৱারী শিংবুলশিং অদু তশেংনা থোকখি-থোকখিদে হায়বগী ৱাফমসু অতোপ্পনি, নৈননীংঙাই ওইদে। নৈনীংঙাই ওইরিবদি, ঙসিদগী চহী লীশিং মরীমখায়রোম মমাঙদা লেংলম্বনি থাজনরিবা মহাভারত্তা অইবগী ৱাখল-মীৎয়েংনা ঙসিগী ভারত অসিগী করম-করম্বা লমদম অমসুং মীওইশিং কোনশিন্দুনা ইরম্বগে হায়বসিনি।

মতম অমদা ঐখোয়গী মণিপুর অসি ওইররোইদবদা মহাভারত্তা পনবা মণিপুর অদুনি, লমদম অসিগী ঐখোয় অসিনা আর্জ্জুনগী মচা বব্রুবাহনগী চাদা-নাওদাশিংনি হায়না পংই-ইশিনবা লাইরিক কয়া লৈরম্মী। অচুম্বা থিনরুরগদি কাওথোকফম থোক্তুনা কাওথোক্তুনা লংশেরুখ্রে। অদুবু মহাভারতকী ৱারী পরীংশিংদা ঙসিগী অৱাং-নোংপোক ভারতকা মরী লৈনবদা হেক্তমক তরাইনা লংথোকখিবা ঙন্নদ্রিবা অদুগা মীওই কাঙলুপ কয়ানসু থাজনরিবা ৱারী য়াওরন্নি। মদু ভগবান শ্রীকৃষ্ণগা অমসুং ঙসিগী অরুনাচল প্রদেশকী মীওই কাঙলুপ অমা নৎত্রগা অমগদি মরী লৈনহল্লম্বা ৱারীনি। শ্রীকৃষ্ণগী লোইনবী রুকমিণী অমসুং মপাবুং ভীমষক্কা মরী লৈনবা ৱারীদি নত্তে।

ঙসিগী আসামদা দিষ্ট্রিক্ট অমমম ওইরিবা 'তেজপুর' অমদি 'সোনিতপুর' হায়রিবা মফম অনী অসিগী ৱাহম্বোক্তি "ঈগী লমদম" হায়বনি। 'তেজ' অমসুং 'সোনিত' হায়বা সংস্কৃত ৱাহৈ অনীমক অসিগী ৱাহম্বোক্তি "ঈ" হায়বনি।

মহাভারতকী মতুং ইন্না (য়ান্না শমজীন্না)-তেজপুর অমসুং সোনিতপুরগী লমদম (ঙসিগী অরুনাচল প্রদেশ য়াওনা) অসিদা সিব মহাদেববু লাৎচবা "বনাসুরা" কৌবা নিংথৌ অমা পাল্লম্মী। মাগী উষা কৌবী নীংথিরবী মজাইবেম্মা অমখক লৈরম্মী। নোংমা উষাগী মমঙদা মশক-মতৌ চঙখোল্লবা নিপা অমা উরম্মী। নিপা অদু মহাক্না খোইদাজমনখ্রদুনা মহাক্কী চিত্রলেখা কৌবী, লাইয়েকপা য়ান্না হৈবী মতা অমদা মমঙদা উখিবা নিপা অদুগী শক্তম তমদুনা য়েকথোকহল্লম্মী। অদুগা লাইশোন-তিনশোন তৌদুনা নিপা অদুবু মপাবুংগী কোনুংদা পুরক্লম্মী। মদুদা পুরকখিবা নুপা অদুদি অতৈ কনা নত্তে ভগবান শ্রীকৃষ্ণ অমসুং শ্রীমতী রুকমিণী অনীগী মচানুপা অহল প্রদ্যুম্ননা পোকপা (শ্রীকৃষ্ণগীদি মশূনিপা) অনিরুধনি।

মশূনিপা অনিরুধবু বনাসুরা নিংথৌগী মচানুপীনা লাইশোল-তিলশোনগী পাঙ্গলদা ফাদুনা পুখ্রে খঙলবা শ্রীকৃষ্ণনা মহাক্কী দ্বারকাদগী লান্মী পুদুনা লাক্লগা নিংথৌ বনাসুরাগী লৈবাক্তা লান্দাদুনা অকনবা লান শোক্লখি। লানফম অদুদা বনাসুরাবু মায়থীবা পীরন্নগা শ্রীকৃষ্ণনা মশূনিপা অনিরুধ অমসুং বনাসুরাগী মচানুপী উষাবু দ্বারকাদা পুরক্লগা লুহোংবিখি। শ্রীকৃষ্ণনা বনাসুরাগী লমদমদা শোক্লখিবা লানফম অদুদা শিখিবশিংগী ঈখেংতনা পূমঙাঙ-ঙাঙখিবা লমদন্নি হায়বগীদমক ঙসিগী আসামগী 'তেজপুর' অমসুং 'সোনিতপুর' অনী অসি লৈরকখিবনি থাজনরি।

মহাভারত্তা য়াওবা মথক্কী ৱারী অসি লৈজরকপনা, করিগুম্বদা ভারতকী ইকায়খুন্নজরবা প্রাইম মিনিষ্টরনা ভারতকী অৱাং-নোংপোক লমদম্বু শ্রীকৃষ্ণগী মতম ফাওবা চিংখত্তুনা মহাক্কী "এক ভারত শ্রেষ্ঠ ভারত" খোল্লাউ মপুঙ ফানবা হোৎনরকপা করিসু কায়দে। অদুবু করিসু নত্তবা মীচম ঐখোয়গুম্বনা ফাওবা তাবদা নোক্লীংগদবা ৱাফম শেমজীন-শাজীন্দুনা পুথোক্লকপদি য়ানীংদে।

**মথক্কীশিং অসিগা মরী লৈননা ঐখোয়গী ওনরবল চীফ মিনিষ্ট্রদা খঙহঞ্জনীংলিবদি- ওনরবলনা মীয়াম মাঙদা ঙাঙবদা ফাগি তাখিবদগী মীয়ান্না তুম্মীন-তুম্মীন নোক্লখিবসি হন্দক্কীসিমগা অনীরক থেংনজরে (মমাঙদনা মৈদিংঙুং গম্ভীর সিংহ লৈখিদবগী নীংশিং নুমীৎ থৌরমদা ঙাঙখিবদনা মৈদিংঙু অসিনা বর্ম্মাগী কোঙমুদো পাগোদাদা থাঙফম হকহনবিখ্রে)। অসিগুম্বসি মতুংদা অমুক হন্না থোকহঞ্জনীংদে। চপ-চাবা অখঙ-অহৈ পাউতাক্লোইশিংদগী অচুম্বা পাউতাক লৌবীয়ু। মথক্তা পঞ্জখ্রিবা শ্রীকৃষ্ণগী মশূনুপা অনিরুধগী ৱারী অসিদি ভারতকী ইকায়খুন্নজরবা প্রাইম মিনিষ্ট্র শ্রী নরেন্দ্র মোদিগী মরমদম গুজরাতমক্তা খৃষ্টী ১৮ শুবা চহীচাদগী মীয়ান্না পান্নরক্লবা "অখায়ানা" হায়না খঙনবা ঈশৈ-নোংমাইগী ফম্বাক লীলা (ম্যুজিকল থিএটর)দা "ওখাহরন" হায়দুনা শান্নরক্লবা লীলা অমনি। লীলা অদুগী অইবনা প্রেমচন্দ ভট কৌই। ... ... অসিগুম্বা ৱাফম কয়া অসি খঙবিরগা ওনরবল চীফ মিনিষ্ট্রনা ঙাঙবিরন্নবদি ঐখোয় কয়াদা চাউথোকচরমদবা!! অদুবু লাইবক থীবনি। চাউথোকচরমগদববু শন্নাদা হেক লিখোকহনবিখি।।**

## এডিটরদা থারকপা – পাবীরিবশিংগী মত

### শজিবু চৈরাওবনা লাকপদা (ওঝা মনিন্দ্র কোন্সমগী ৱারেং পারুবদা)

সনা লৈবাক Daily গী April 9, 2018 গী 'মখল মথেল' হায়বা কলম অদুগী মখাদা 'কুমশি চহিদি শজিবু ২৮ নিদা শজিবুগী পালোক ওইএ" হায়না ইবিরকপা ওজা মনিন্দ্র কোন্সমগী ৱারেং অদুনা মপান নাইদ্রবা জ্ঞান লৌশিং কয়া পীবিবগীদমক ওজাবু হায়নিংঙাই লৈত্তনা থাগৎপা ফোংদোকচরি। ওজাগী ৱারেং অদু পারবা তুংদা মখা তানা নৈনবা য়াবা ৱাফম খরদং থমজগে ৱারৌবিরোই নিংজে।

"চৈথোরোল কুম্বাব" হায়রিবা লাইরিক অসি মৈদিংঙু নোংদা লাইরেন পাখংবা (৩৩ এ দি) দগী মৈদিংঙু বোধচন্দ্র (১৯৫৫ এ দি) ফাওবগী মতমদা মণিপুরদা থোকখিবা নোংম নোংমগী ওইবা থৌদোক পূন্নমক ইশিন্দুনা থম্বীরম্বা য়ান্না মরুওইবা লাইরিক অমনি হায়না ওজানা পনবিরি। তশেংনমকসু লাইরিক অসিমক ঐখোয়গী হিটোরিকেল রিকোর্দ কা মরী লৈনবা য়ান্না মরওইবা অমা ওইরি। হেন্না খংজনিংবদি চৈথোরাল কুম্বাবা হায়রিবা লাইরিক অসি করম্বা কুমজাদা, করম্বা নিংথৌরোলগী হাক্তক্তগী ইবা হৌরকখিবা লাইরিকনো হায়বসিনি। ওজাগী ৱারেং অদু পাজরুবদগী ওইথোকপা য়াই হায়না খনজবা ৱাফমদি লাইরিক অসি ১৪৮৫ এ দি গী মতুংদা মমাংঙৈগী রিকোর্দ অমসুং দাটা কয়া খোমজিল্লগা ইবা হৌরকখিবা লাইরিক অমা ওইরম্বা য়াই হায়বসিনি। মরমদি নোংদা লাইরেন পাখঙবা (৩৩ এ দি) দগী হৌনা চৎনরকপা খোক ৱাশাং পায়দুনা চহি হৌরে হায়দুনা লাওদুনা চৎলম্বা অদু লেপহনখ্রগা "চৈথাবা" হায়না খংনবা থৌরম অমা হৌরকখিবদু মৈদিংঙু কয়াম্বগী মতম ১৪৮৫ এ দি দগীনি। লাইরিক অসিগী মীংদা শিজিন্নরিবা "চৈথোরোল" হায়বা ৱাহৈ অসি "চৈথাবা" হায়বা ৱাহৈ অসিদগী লৌথোরকপা ওইরমগনি হায়না খনজে। করিগুম্বা হায়রিবা মতম অসিগী মমাংদগী ইবা হৌখিবা ওইরম্লবদি লাইরিক অসিগী মমীং "চৈথোরোল" কৌরমদবসু য়াই। অমরোমদা নোংদা লাইরেন পাখংবগী মতম্বু ৩৩ এ দি নি হায়রবসু ৩৩ এ দি অসিদি Christain Era নি। মসিদি মণিপুরদা য়ান্না কাইনথংদা শিজিন্নবা হৌরকখিবা Era নি। মতমদুদদি মনিপুরদা A B C ফাওবা চৎনরমখিরোই। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি ৩৩ এ দি দগীনা ১৪৮৫ এ দি ফাওবগী মতম অসি চাওরাক্লা চহি ১৪৫২ মুক্লি। শাংলবা মতম অসিগী মমাংগী রিকোর্দ কয়া থিগৎপা হায়বসি থোইদোক্লা অরাইবা থবক অমা নত্তে হায়বসিমতংনি।

মথংদা থমজনিংবদি হৌজিকমক খ্বাইদগী হেন্না চয়েৎনরিবা ৱাফম শজিবু চৈরাওবসিবু নোংমা পানবদা লাওরম্রা নৎত্রগা হোং হোংদুনা লাওরম্রা হায়বসিগী মতাংদনি। ওজাগী ৱারেং মতুং ইন্না 'পালোক' হায়রিবা ৱাহৈ অসি অহানবা ওইনা ১৭২৯ এ দি গী চৈথাবগী লাচন্দ য়াওই হায়না থম্বীরি। অদুবু ইহান হানবা পালোক (চৈরাওগদবা নুমীৎ) ওইখিবা শজিবুগী থবান অদু মতৌ করন্না পুথোকখিবগে হায়বগী ৱারি ৱাখোংদি থম্বীরমদ্রে। খন্নবা য়াবা ৱাফমদি সোলর কেলেন্দর শীজিন্নরমদবা মীতৈনা মতৌ করন্না অমসুং করম্বা মওংদা নুমিৎ মশিং থিদুনা শজিবুগী নোংমা পানবা নওবা নুমিৎ অমদা চহি অমা লোইবা নৎত্রগা হৌবগী নুমিৎ থোক্লে হায়না পুথোক্লমগদগে হায়বসিনি। অমরোমদা য়েংলুরবদি পালোক ওই হায়না পুথোকপিরম্বা শজিবুগী থবানশিং অসি সকাব্দ কেলেন্দর গী মতুং ইন্না চহি লোইবা নুমিৎ হায়বদি "চৈত্র ৩১" অসি চপ চানা তাই হায়রিবা নুমিৎ অসিদা হিন্দু লাইনিং চৎপা মীওই কয়ানসু মাগী মাগী চৎনবী মওংদা অনৌবা চহিগী থৌরম কয়া পাংথোক্লে। সকাব্দ অসিদি সোলর কেলেন্দর ওইবনিনা চহি খুদিংগী এপ্রিল ১৩ নৎত্রগা ১৪ গা ফাংনরিবনি। মরম অসিনা ১৭২৯ এ দি দগী মৈত্রবাক্কী পুৱারিদা চৈরাওবগা মরি লৈননা সকাব্দ কেলেন্দর চৎনবা হৌরকপগী মমি তারি। মসিগা লোইননা থবান হোং হোংদুনা চৈরাওবা অসিসু মতম অসিদগী হৌরকপা ওইরম্বা য়াই হায়না থমজনিংই। হায়রিবা মতম অসি গোপালদাশ কৌবা গুরু অমদগী মৈদিংঙু পামহৈবনা হিন্দু লাইনিংদা লাইমিং লৌখ্রবা চহি ১৯ কী মতুংনি। ঙসিফাওবদসু মীওইবগী পুন্সি খোংচৎ অমসুং থা-থৱানশিংগী খোংচৎকা লৈনরিবা মরি কয়াগী মরমদা ফংলিবা জ্ঞান কয়া অসি সকাব্দ কেলেন্দর দা য়ুম্ফম ওইবা সংস্কৃত্তকী মরু ওইবা লাইরিকশিংদগী ওইরি। অসুন্না, ১৭২৯ এ দি গী মমাং মতম ফাওবদি মৈত্রবাক্তা ঐখোয়গী লৈজরিবা লুন্নর কেলেন্দর অসি নত্তনা অতোপ্পা কেলেন্দর অমত্তা চৎনরম্বগী মমী তাদে। মরম অদুনা চহি হৌবগী নুমিৎ অশিসু ঐখোয়গী লুন্নর কেলেন্দর গী মতুং ইন্না শজিবুগী নোংমা পানবা নত্তবা অতৈ অতোপ্পা নুমিৎ অমা লৈরম্লোই খনজে। অদুগা চৈরাওবা হায়বসিদি চহি হৌবা নুমিৎকা মরি লৈনবা থৌরম ওইবনিনা অদুমক শজিবুগী নোংমা পানবদা পাংথোক্লমগদ্রা খঞ্জে। মৈদিংঙু পামহৈবগী মতমদগী শজিবুগী পালোক (চৈত্র ৩১) দা চৈরাওনবা হৌরকখ্রবসু মীতৈ ইনাৎপু নুংশিজবা ইপা ইপু খরদি হান্নদগী লৈজরম্লবা নোংমা পানবদা অদুমক চৈরাওরমগনি খনজে। মসিমক্লা ওইরম্বা য়াই ঙসিসু ইচিল ইনাও কয়ানা নোংমা পানবদা চৈরাওরিবগী মরম। মতাংসিদা, ওজা মনিন্দ্রনা ১৭২৯ এ দি গী মমাংদা পাল্লম্বা নিংথৌরোলশিংগী মতমদা শজিবুগী নোংমা পানবা নত্তবা অতোপ্পা নুমিৎ অমদ চৈরাওখিবগী পুৱারি অমত্তং মরিক চুন্না পুথোকপীবা ঙমলবদি চমন্নবা অসি খরদং ওইরবসু কোক্কনি খনজে।

লোইশিল্লকপা ওইনা শজিবু চৈরাওবনা লাকপদা শজিবুগী নোংমা পানবদা নৎত্রগা এপ্রিল ১৪ দা চৈরাওরিবা ইচিল ইনাও খ্বাই পূন্নমকপু নুংশি চান্নবা লৈহনবিয়ু অমসুং য়াইফ থৌজাল পীবিয়ু হায়না ঈশ্বরগী মফমদা খুরুমজরি।

*অদোমগী*
*লৌরেম্বম রামেশ্বর সিংহ,*
*কোইরেঙ্গৈ বজার*

## অরি-অনৌ য়ূম্বাল্লোনগী শক্লোন-৩

*মমাং নিংথৌকাবগী মখা ...*

*চোংথাম থোইবা সিংহ*

নুপা-নুপীগী মরীঃ য়ূম্বাল্লোনসিদি নুপা-নুপী অনীনা কূপ্না খঙফম থোকইবনি। নুপানা ঙন্না য়ুম পান্নবনি হায়দুনা য়ুমগী নুপীবু মৱা লৌবিদনা য়ান্না হম্ববা থাক্তা লৈমিন্নবগী য়ূম্বাল্লোন লৈতে। নুপা ঙাক্তনা য়ুম পুবা ওইথোক্তে। পাশ্চানা য়ূম্বানবা ফরংজাই য়ূম্বান ওইবনা মচা-মশূশিং নীংথিনা শেম্বীবা ঙন্নদে। নুপা -নুপী অনীনা অমনা অমগী য়াকা য়েংনা ইমুংগী থবক খূদিংমক পাঙথোকমিন্নবা তাই। মচা য়োকপা, ৱারক-ৱাতেম্বদা মপাগী ৱা খাক্লা-"নপা তাখিনি, নপানা য়ারক্লোই, নপাদা হায়য়ু" হায়দুনা মপাবু হঙ্গোইনা চৎনবা মমানা য়ান্না হৈ-শিংনা মচাশিং লোয়নবগী মওংসি য়ান্না মনোবিজ্ঞানিক ওইবা য়ূম্বাল্লোন অকুপ্পা নীতিনি। অদুবু হৌজিক্তি মপানা অঙাংবু হঙ্গোইনদনা অঙাং লোয়নবগী চৎনবী লৈরে। মপানা পীক্লিবা অঙাংমচা নাউকোনবদা ইকাইনরক্তে। লোয়নরক্তে। য়ুম ফাওবা শেংদ্রিবা অঙাংদু নুংশিরবনি হায়দুনা পমদুনা পুথোকপা মপা য়ান্না লৈরক্লে। মপানা মচাশিং হঙ্গোইদনা লোয়নবদগী মচানা উশিংলক্তবা হৌনশানি। মসিনা মপানা মচা ৱারক-ৱাতেম্বা ৱানরে। অমরোমদা নুপা-নুপী অনীগী মীৎয়েং, ৱাখল মান্নরক্তবদগী তোয়না খৎন-চৈনবা ইমুংগী অঙাং মীমাঙ থোকপদা মীমান্নগন্দে। মমা মপা অমদি ইমুংদুগী চৎনরিবা লমচৎ, ব্যবহার, ৱাঙাঙ-শাঙাঙদু অঙাংনা মতৌ তম্মী। মমা-মপাগী রোলদি শীংথাবদা ৱাগনি। "অফবা মমা অমনা ওজা চাম্মদগী হেল্লি", "নাউশুম হাইরিবা খূৎতুনা সংসার লাকই" হায়রিবনি। অদুবু ঙসিগী য়ূম্বালদদি দোমেস্তিক ভাইওলেন্স ইমুংদা নুপী ওৎ-নৈবগী চৎনবী অমা ওইরক্লে। মসিনা তাকপদি য়ূম্বাল্লোন খঙনা য়ুম পান্নদ্রে হায়বা উৎলে।

ফিজেৎ-চাকচাঃ ঙল্লিঙৈ মতমগী ফিজেৎ-চাকচা য়ান্না চন্নরম্মী। অকে-অমৌগী ফিজেৎ য়ান্না শীজিন্নরমদে। নুপীমচা চহী ১২-১৩ হেক শুরকপদগীদি মনম্মা, মচেম, মনেম্না ফিদোন চিংখৎপিরম্মী। ঙসিগী নুপীশিংনা ফি শেৎপদা হকচাং থাদোকপী শেৎনরিবসি শেৎনরমদে। চাকচা-য়ূথক হায়নরিবা য়ূম্বাল্লোনগী নীতি অসি ঙল্লিঙৈ মতমদদি নীতি-নিয়ম নাইবা, সমাজনা য়াদবা চীঞ্জাকসু চানরমদে। চাকচা-য়ুথক ফজদবা, লমচৎ নাইদবশিং নিংথৌনা লোই থারম্মী। ইমুংদা শা- য়েন, থোং -থাক্লরমদে। মসিদা নত্তনা তীলহৌ চনম ফাওবা চানরমদে। অদুবু ঙসিদি চাকচা-য়ুথক মফম -মরাঙ খঙনদ্রে। চাকচা -য়ুথকনা সমাজগী শক্লোন হোংহল্লে হায়বা য়ারে। ধর্ম্মনসু, সমাজনসু, সরকারনসু নিশা থিংবা ঙমদ্রে। মসিদগী হেন্দোক্তুনা ময়াই কারবা দ্রগ, গুলী কয়া কয়া শীজিন্দুনা খৎন-চৈনবা, মীহাৎ-মীপূন, ৱাথোক-লাম্হোক্লা পূন্নাঙ লাঙলে। য়ূম্বাল্লোনগী নীতি ঙাকপা ঙম্লক্তে। ইমুং-মনুংগী অকনবা চৈরাক্কী মখাদা হৌগৎলক্লিবা নহাশিংবু মায়কৈ চুন্না লমজীংনবা মমা-মপা, অহলশিংনা য়ান্না চেকশীন্না মচাশিং শেন্নবা, ভাব তাহনবসি তঙাইফদ্রবনি। লোয়ননা সমাজগী অমদি সরকারগী অকনবা ৱায়েল-চৈরাক মতাঙ, মতম চানা শীজিন্নবসু তঙাইফদ্রে।

য়ূমগী লৈতেং, লূ-নানবাঃ য়ুমগী তরু-তনানবা অমদি মীৎয়েংগী ফজনবা লৈতেংবগী মথৌদি ইমুংগী নুপীশিংগীনি। অদুবু ঙল্লিঙৈ মতমদদি ইমুংগী লৈতেং ঙাক নত্তনা শূমাঙ, লৈরক, য়েন্নখা- লূখাদা লৈ-শু থাদুনা য়ুমগী লৈতেং ওইনরক্লে। থবক অসিগী মতাঙদদি য়ুমগী নুপীশিংগী থৌদাং লাক্লে। হায়রিবা পূন্নমক অসি মতম -মতমগী য়ূম্বাল্লোন ঙাক্তনি।

পঞ্চ মহা যজ্ঞ অমদি য়ূম্বাল্লোনঃ য়ূম্বালোনগী চৎন-পরীংদা ধর্ম্ম-কর্ম্ম, লাইনীং -লাইশোন, অতোপ্পগী সেবা, কৎথোকপা পূন্নমকসি থাদোক্লবা য়াদে। মরম অসিনা য়ুম পাল্লিবা মীপূম খূদিংমক্লা পঞ্চ মহা যজ্ঞশিং পাঙথোক্তবা য়াদে। যজ্ঞগী অর্থদি কৎথোকপা হায়বনি। সাধারণ ওইনা যজ্ঞদি ব্রাহ্মণনা মৈ হৌরগা ঘীনচিংবা হাপ্তুনা পূজা তৌরিবা নৎত্রগা মী শিরগা পোৎলোইববুসু খঙনৈ। হায়রিবশিং অসিদসু কৎথোক্লিবনি। কৎথোকপা অদুদগী কান্নবা, মনা, মিংচৎ, ওইজ-ওইথক ফংগে হায়বগী অমদি নাপলগী ৱাফম লৈতববু যজ্ঞ কৌই।

সংসার অসি যজ্ঞদগী হৌই, যজ্ঞদা লোই। সমুদ্রগী যজ্ঞদগী নোং খীকথরক্তুনা জীব কয়া পুথোকই। প্রকৃতিগী যজ্ঞদগী জগৎ পোকই। মমাগী যজ্ঞদগী মচা ফংঙি। মপাগী যজ্ঞদগী পীক্লিবা মচা -মশূশিং নৎত্রগা শোল্লবা মমা-মপাশিং হিংঙি। মহা পঞ্চ যজ্ঞ মখল মঙানি। মদুদিঃ১। দেবা যজ্ঞ, ২। ঋষি যজ্ঞ, ৩। পিতৃ যজ্ঞ, ৪। অতিথি যজ্ঞ, ৫। ভুত যজ্ঞনি।

য়ুম পাল্লিবশিংনা লাইদা ঙমজবা হৈ, লৈ, পোৎলম অতৈশিং কৎলিবসি দেব যজ্ঞনি। দেবতাশিংগী থৌজাল নত্তনা মীওইবদা নুংঙাইনা হিংবা ঙমদে। অসুন্না ঈশ্বরদা ভক্তি তৌজবা, নীংজবা, মাগী মগুণ শক-শোঞ্জবসি দেব যজ্ঞনি। মসি য়ুম পাল্লিবশিংনা তৌদবা য়াদ্রবা য়ূম্বাল্লোনগী চৎন-লীচৎনি।

ঐখোয়না য়ূম্বাল্লোনগী নীতি ওইনা শ্রাদ্ধ কর্ম্ম তৌরিবা, পিণ্ডদান কৎলিবা, মহলয়াদা নৎত্রগা তীর্থদা পিতৃশিংগীদমক কৎলিবা ফীরোই, উসব কয়া তৌরিবশিংসিসু 'পিতৃ যজ্ঞ' নি। পূন্নমক অসি নত্তবদা ঈরুজবদা মায় মখা ওল্লগা ঈশিং খূজোক অমত্তং ইপা ইপুদা কৎচরিবদুনসু পিতৃ যজ্ঞ ওইবা য়াই। হায়রিবশিং অসিদগী অমা নৎত্রগা অমা তৌজবনা ইপা-ইপুশিংনা ঐখোয়বু মী ওইনবা হোৎনবিরম্বগীদমক লমন শিংবা শকই।

মীওইবনা শা-উচেক, তীন-কাঙনচিংবা জী কয়াবু য়োক-থাক্তুনা, পীজ-পীথকপবু ভুত যজ্ঞ কৌই। ঐখোয়না চাক চারমদাইদা লৈবাক্তা ঈশিং খরা চাইথোক্লিবা, চাক খজিক্তং থাদোক্লিবা অসিসু ভুত যজ্ঞনি। অতোনবা জীবশিং অসিনা ঐখোয় মীওইবনা হিংবদা চাউরবা মতেঙ পীরিবনি। অসুন্না অতোনবা জীবশিংগীদমক কৎথোকপা ভুত যজ্ঞ অসি য়ূম্বাল্লিবশিংনা তৌদবা য়াদ্রবা য়ূম্বাল্লোনগী লীচৎনি।

মরম অসিনা নুংঙাই-য়াইফনা, তুরৈ-ইরৈ চেন্দবা পুন্সি তোলোইনা হিংবা পাল্লবদি পঞ্চ মহাযজ্ঞ (অথোইবা যজ্ঞ মঙা) অসি পাঙথোকপা তাই। ঐখোয়না হিংবদা মীঙোন্দগী পুশিল্লুরিবশিং শিংদোক্তনা হিংবসিনা নুংঙাইবা পুন্সি ওইরোই। মরম অসিনা য়ূম পাল্লবশিংনা যজ্ঞ মখল মঙা অসি ঙাক্লা চৎকদবনি।

**মমা-মপাগী রোলদি শীংথাবদা ৱাগনি।**
**"অফবা মমা অমনা ওজা চাম্মদগী হেল্লি"**
**"নাউশুম হাইরিবা খূৎতুনা সংসার লাকই"।**
**নেপোলিয়ান্না হায়রম্মী- "অফবা ইমা অমা পীবিয়ু পৃথিবী জয় তৌগে"।**